# ওল মণিপুর এক্কাটিক স্পোর্টস ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা ঙল্লিঙৈগী এন্যুঅল মিটতা ফর্স্ত প্রাইজ অয়াম্বা লৌজরকখি



**ক্ষেত্রি য়াইমা**
*ভেটরান স্বিমর*

(*ঙরাংগী মখা*)

অদুগা মণিপুরদা স্বিমিংগী ইহৌ ইহান হান্না শাগৎলকখিবা মফমসি কোংবা মায়কৈসিদনি। লমদমসিগী ওইনা ঈরোইবগী কম্পিটিসনগা পাঙথোকপা হৌরকখিবসিসু কোংবা বজারদা লৈবা মীয়াম্না শ্যাম পুখ্রি হায়না খঙনরিবা পুল অসিদনি। ওল মণিপুর এক্কাটিক স্পোর্টস ওর্গনাইজেসন লিংখৎলকপগা লোয়ননা স্বিমিং কম্পিটিসন অসিসু তৌবা অদুম হৌরকখ্রে। হেক হৌরকপদগী ঐহাক্না য়াওজরকখিবা স্বিমিংগী আইটেম অহুমদা হায়বদি ফ্রি ষ্টাইলদা, ব্রেস ষ্ট্রোক্তা, বেক ষ্ট্রোক্তা ফর্স্ত ঙাক্তা লৌজবা ঙমজরকখি। অহানবা শরুক য়াজরকপা মতমদা জুনিয়রদা কম্পিটিসন য়াওজরকপদু ঐঙোন্দা য়াম্না লাইনা থোকখি। কুমজা ১৯৫৭/৫৮গী মতমসিদি ঐনা কন্না তক্লজবদগী ঐহাক সিনিয়রগী মরক্তংা কম্পিটিসনয়াওজরকখি। হায়রিবা মতমসিদা কোংবা সাইদরোমদা ফজনা ঈরোইবা য়াবা অনানবা পুখ্রি খরসু অদুম লৈরম্মী। লাকপম পুখ্রি হায়রিবসিসু মীনা কুম্বদা হঙ্গোয়নবা য়াম্না লুবা পুখ্রিনি। অদুবু ঐহাক্তী ঈশিংসি কিবা সুকফাও ফাওরকখিদে। পুখ্রি মওং তাবসিদি হেক উবগা হেক্তা চোঙথদুনা ঈরোইনিংই। লাকপম পুখ্রিসিদদি খুদোংথিবা খরসু অদুম থেংনরকখি। খঙচেন চেল্লগা ফন চোংথবসিদা খ্বাঙ ফাওবা ফুমখিদুনাওন্থোক্লা ৱানা ফাওগৎলকখি। তুরেলদগা প্রেক্টিস তৌবসিদি অয়ুক ঙন্তা হৌগৎলগা অহলশিংগী মতুং ইন্নদুনা লোইজরকখি। তুরেলদা ঈরোইবসিদি পাবুঙ মুতুম ধনঞ্জয়গী (ডা. দেবেনগী অপোকপা) মতুং য়াম্না ইনলকখি। ঐহাক্না ঈরোইবদা থৱায় য়াওবদু উবদা খরা সিনিয়র ওইবশিংনা হেন্না হৈননবা হায়দুনা তোবর্বান্দগী ফন চোঙথবগা নহাক তুরেল লৈখাদগী নুঙদুম খুনবা ঙল্লবদি লোইদনা নহাক মায় পাকপা স্বিমর ওইবা ঙমগনি হায়রকপা য়াওরকখি। মদু ঙম্ননবা হায়দুনা হোৎনবদা শ্বর তৎকে তৌবফাওবা য়াওখি।

ঐহাক্না শান্নজরিঙৈগী রেকোর্দ ময়ামসি লোইনা লৈরম্বনি। য়ুম মৈ চাকপগী থৌদোক অমা য়াওখিবদগী অয়াম্বদি মৈ চাকপদা য়াওখ্রে। অদুম ওইনমক মৈ চাকপদা য়াওহৌদবা রেকোর্দ খরদি হৌজিক হৌজিক ইশাদা লৈজরি। কুমজা ১৯৫৮দা দি ৱাটর টুর্নামেন্ট বোর্দনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মরিশুবা এন্যুঅল ৱাটর টুর্নামেন্টতা (ওক্টোবর ২দগী ৫ ফাওবা চথখিবা) য়ার্দ ২০০গী ঈশিং লমজেলদা মিনট অহুমগা সেকেন্দ ৪১দা লোইদুনা 'ফর্স্ত প্রাইজ' ফঙজরকখি। হায়রিবা মতমসিদদি ঐহাক সিনিয়রগী কম্পিটিসনদা ওইনা শরুক য়ারে। মসিগী মখা তারকপদসু মণিপুরগী ওইনা পাঙথোকপা ঈশিং লমজেলগী কম্পিটিসন্দা লেপ্তুনা মনা লৌজরকখি। কুমজা ১৯৬০দা ওল মণিপুর এক্কাটিক স্পোর্টস ওর্গনাইজেসননা শীনবা টুর্নামেন্টশিংদসু মমিং লৈনবা শান্নবা ঙমজরকখি। কুমজা ১৯৬০গী মতমসিদদি ঐহাক ওল অসামগী ওইনা বেষ্ট স্বিমরগী মীংথোল ফঙবা ঙল্লে।

ঐহাক্না স্বিমিংদা স্কুল গেমসতা চৎমীন্নরকখিবা মরুপ-মপাং খরা পঞ্জরবদা থৌবালদগী এ কে দেবেন, ককচিংদগী নুপী স্বিমর সনাতোম্বী .... খরসি নীংশিংজরি। স্কুল গেমসতা মপান্দা ঐখোয়বু ইতৎ তত্তনা পুবীরকখিবসিনা থাংজমগী ওজা মোধু সিনি। অহানবা ইন্দোরদা শান্নবা চৎপসিদা মখোয়গী স্বিমিং পুলদুদা ফন চোঙথবগা ইশাসি শৎ থেক্কৎপা হৈহৌদদুনা খুদোংথিবা নঙখি। পুন্সিগী অহানবা ওইনা অনানবা স্বিমিং পুলদা ঈরোইবসি ইন্দোরগীসিদনি। মীনা তৌরিবা ময়ামদু করমহায়না তৌবনো হায়না কুপ্না য়েঙলগা হল্লকখি। ঙল্লিঙৈ মতমদুদদি মণিপুরদা স্বিমিংগী মতিক চাবা কোচ লৈবসু নত্তে। ঐখোয়না মতমদুদা য়াম্না কন্না এপ্লাই তৌবসি স্পোর্টস মেগাজিন্দগীনি। লাইরিক পার-পারগা মদুদগী নোলেজ লৌজরগা শান্নজরকপা ঙাক্তনি। মপান্দা মীনা তৌহৌবা ময়ামদু পাড়া ওইরগা য়ুমদা হল্লক্লগা পুখ্রিদা, তুরেলদা ঐখোয়না অমুক প্রেক্টিস তৌদুনা হোনজবনি। উজরকপা খরদু ফোম তানবা হায়দুনা অয়ুক্তগী নুমিদাংৱাইরম ফাওবা পুখ্রিদা অদুম লৈবা মতমসু লৈখি। মৈ, ঈশিংগা চঙবা নত্তে। মমৈদদি ঐহাক ঈশিংদা হিপ্পগা লৈবা তাওবসি লোইনা হৈরকখি। ওগষ্ট, সেপ্টেম্বর মতমদা শ্যাম পুখ্রিদা ঐনা ঈশিংদা কুইনা কুইনা হিপ্পা, তাওবসি মীয়াম্না কুম্কে ওইনা য়েঙনরকখি। তশেংবদি মদু ঐহাক্না মধ্য প্রদেশতা শান্নবা চৎপদা তক্লকখিবনি। মধ্য প্রদেশকী অফাওবা স্বিমর অমনা অঙাং অমা মবুক্তা ফমহল্লগা তাওরগা সুম প্রেক্টিস তৌবসি ঐহাক্না উরকখি। য়াম্না কুইনা মশাসি তাওরগা অদুম লৈবদুদা ঐদি অহানবা উবদা পুঙক ঙকখি। করি প্রেক্টিস খুৎতৌনো মাগীসিদি হায়দুনা ঐখোয় লৈকাইগী ঐগা শান্নবা চৎমীন্নখিবা হৱাইবম অরুনকুমারগা ফনা কুইনা য়েঙদুনা লৈখি। মাগীসিদি মওং অমনি। মহাক কাখৎলক্লগা ৱারী শান্নসি হায়দুনা ঐহাক্না অরুনকুমারগা মহাক কাখৎলকপা ঙাইখি। চঙশিন্দুনা ৱারী ৱতাই তৌনবদা মহাক্না লোইনা তাক্লকখি। হায়রিবা মতমদুদা অরুনকুমারদি ইংলিস ফজনা ঙাংবা ঙল্লে। ৱারী শান্নবদু লোইবগা মহাক্না মণিপুরদা মসিগী গেমসিসু দেভলপ তৌবা য়াব্রা য়েংউ হায়দুনা ৱাটর পোলোগী বুকলেট অমা পীরকখি। অতৈ-অতৈ স্বিমিংগী ওইবা লাইরিক খরসু ঐখোয়দা পিবিরকখি। হায়রিবা বুকলেটশিং অদু মণিপুরগী ওইনা য়াম্না কান্নখি।

...মথং মথং...

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**অকাউ-পরৈ চল্লুরবশিং**



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৯

১) খা কোরিয়া মচা অমনা ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল হেক ফংখিবগা অসুম্না হায়খি "ঐনা য়ুন অমসুং মহাক্কী ইমাদা ঙাকপীয়ু হায়রি। ঐগী সনাগী মেদল অসি মখোয়গা ঐগা পুন্না ফংমিন্নবনি"। (ক) মসি কনানা হায়খিবনো? (খ) করি মরমগী হায়খিবনো?

২) মহাক য়ুরোপ মচানি, ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননী, ফিল্মসু য়াওখি, কুমজা ১৯৯৮দা কার এক্সিদেন্টতা লৈখিদবদা মালেম পুম্বনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৩) ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমগী মেদল ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিনিনা মতম খরা লৈরগা লৌশিনখি। মরমদি মহাক প্রোফেস্নেল ওইনা শান্নবদা শরুক য়াই হায়বগী মরমদনি। মহাক শীরবা মতুংদা মহাক্কী মশুশিংদা মহাক্কী মেদল অদু অমুক শীন্নখি। মহাক কনানো?

৪) ঐহাকপু চেকশুবা নিপানি হায়দুনা ইংলেন্দগী থেমস তুরেন্দা হিয়াং তান্নবদা শরুক য়াহন্দে। ঐ ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননি, ইচা নুপীনা লৈবাক অমগী মহারানিনি। ঐ কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৮কী পাউখুম

১) "ঐনা রোজর ফেদররবু মমীং লৈবা কোর্ট অসিদা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীরে' মসিনা ঐগী পুন্সিদা নীংশিংবা য়াবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইগনি। নাপী মথক্তা শান্নবা টেনিসতা খ্বাইদগী ফবা শান্নরোয়দি মহাকনি। মহাক ঐনা শান্নরিবা মশান্না অসিদা খ্বাইদগীসু হেন্না চম্পিয়ন ওইরিবনি। ৱাহৈশিং অসি কনানা হায়খিবগে? : JO-WILFRIED TSONGA

২) মহাক্না হায় 'হৌজিক ঐহাক য়াম্না নুংঙাইনা পোত্থাবা ঙল্লনি'। হৌখিবা চহী ১২দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিকশিংদা মহাক্না শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংবা ঙমখিদে, লুপাগী মেদলশিংদি ফংখি। মহাক্না সনাগী মেদল ফংখিবদা ৱাহৈশিং অসি হায়খিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।
: EUJENIO MONTI

৩) অহানবা অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট হোক্কি চেম্পিয়নশিপ কুমজা ১৯৫৭তা পাঙথোকখিবদা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখি। করম্বা মফমদা চেম্পিয়নশিপ অদু পাঙথোকখিবগে? : SHILLONG

৪) ৱিন্টর গেমস অমদা সনাগী মেদল অহুম ফংবা ঙমখিবী অহানবা নুপী অদু কনানো? : SONJA HENIE

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?? : ANJU BOBBY GEORGE

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৯৮ গী পাউখুম ৩ চুম্না থাবীরকখিবদি**

**১) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক। (৩)**

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ -৯৮ গী ৱিন্নর**

**অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক**

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৯৮গী মনা লাম্হোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম জুলাই ২১, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লাম্হোকচগনি।

# চাইনিজ টাইপৈগী লিন চুন য়িনা থাইলেন্দগী টনোন সাক থোইদুনা য়ু এস ওপন টাইটল লৌখ্রে




ফুলর্টন, জুলাই ১৫ (এজেন্সী)ঃ
য়ু এস এগী কলিফোর্নিয়াদা ষ্টেটতা লৈবা ফুলর্টনদা পাঙথোক্লিবা য়ু এস ওপন বেদমিন্টনকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী লিন চুন য়িনা থাইলেন্দগী টনোন সাক সেন্সোমবুনসুকপু মায়থীবা পীদুনা য়ু এস ওপন বেদমিন্টনগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেমদা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় লিন চুন য়িনা থাইলেন্দগী টানোনসাক সেন্সোমবুনসুকপু য়াম্না কোম্না ২১-১০দা থোইদুনা মাংজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা থাইলেন্দগী শান্নরোয় অদু ফজবা ঙল্লকখিদবা মরম্না ২১-১৩দা মায়থীহৌবদগী পুংখাই অমগী ফাইনেল মেচ অদু লিন চুন য়িনা গেম অনীমক থোইরগা য়ু এস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেচতা চাইনাগী ৱাং ঝি য়ি অমসুং সাউথ কোরিয়াগী কিমগাউনগা লম্বা তৌনখি। অহানবা গেম চাইনাগী শান্নরোয় অদুনা ২১-১৮দা থোইখি। অনীশুবা গেমদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবা অদু পোইন্ট ১৯ য়ৌরকপদা চাইনাগী ৱাং ঝি য়িনা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিবদগী নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিনয়ন ওইখি।

নুপাগী দবলসতা চাইনিজ টাইপৈগী লি য়াং অমসুং ৱাং চি লিনবু সাউথ কোরিয়াগী কো সুন হ্যুন অমসুং সিন বেক সিওলনা থোইরগা টাইটল লৌখি। মেচ অদু অহানবা গেমদা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র অদুনা ২১-১৩দা থোইখি। অনীশুবা অদুনা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় অদুনা ২১-১৭দা থোইদুনা দিসাইদিংদা সাউথ কোরিয়ানা ৬-৩দা হেন্দুনা লৈরিঙৈ চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয়শিং অদু মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী টাইটল অদু সাউথ কোরিয়াগী পেয়র অদুনা লৌখি।

নুপীগী দবলসতা জপানগী নামি মাটসুয়ামা অমসুং সিহারুল সিদানা সাউথ কোরিয়াগী বেগ হা না অমসুং জুং ক্যুন উনবু থোইরগা টাইটল ফংখি। অদুগা মিক্স দবলসতনা চাইনিজ টাইটপৈগী লি জে হুই অমসুং সু য়া চিংনা ফ্রান্সকী তোম জিকেল অমসুং দেলফিন্দ দেলরেবু থোইরগা মকোক ওইখি।

# জেক রিপব্লীক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা অমসুং চাইনিজ টাইটপৈগী সৈ সু ৱৈনা নুপীগী দবলস টাইটল লৌখ্রে



লন্দন, জুলাই ১৫ (এজেন্সী)ঃ
ৱিমবল্ডনগী নুপীগী দবলস ফাইনেলদা জেক রিপব্লীক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা অমসুং চাইনিজ টাইপৈগী সৈ সু ৱৈনা কনাদাগী গেব্রিএলা দাব্রোস্কি অমসুং চাইনাগী জু য়িফানবু মায়থীবা পীরগা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ ওইরিবা সৈ সু ৱৈ অমসুং বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা সেমি ফাইনেলদা নম্বর ১ সিদেদ হঙ্গেরিগী টিমিয়াবাবোস অমসুং ফ্রান্সকী খৃষ্টিনা লাদেনোবিসপু ৭-৬ (৭-৫), ৭-৪দা মায়থীবা পীরমখি। অদুগা ৪শুবা সিদেদ পেয়র গেব্রিএলা দাব্রোস্কি অমসুং জু য়িফাননা মখোয়গী সেমি ফাইষনলদা জেক রিপব্লীগী পেয়র টুর্নামেন্ট অসিদা ২ শুবা সিদেদ বার্বোরা ক্রেচিকোভা অমসুং কেটরিনা সিনিয়াকোভাবু ৬-১, ৩-৬, ৬-৩দা মায়থীবা পীরম্বনি।

ঙরাং নুপাগী সিঙ্গল ফাইনেল মেচতা জোকোবিসনা ফেদররবু মায়থীবা পীরগা টাইটল লৌখিবা অদু লোইরগা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেচ শান্নখিবনি। মেচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা সৈ সু ৱৈ অমসুং বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা ঙমদুনা গেব্রিএলা অমসুং জুগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬-২দা অহানবা সেট অদু থোইখি।

ফাইনেল মেচকী অনীশুবা সেটতা কনাদা অমসুং চাইনাগী পেয়র অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা গেম ৪ কাবা ঙমখি। অদুবু মখোয়না ফজরিবা অদুদগী চাইনিজ টাইপৈ অমসুং জেক রিপব্লীক্কী পেয়র অদুনা ফজবা হেনখিবনা মরম ওইদুনা সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা সেট অদু ৬-৪দা মায় পাকপদগী নুপীগী দলবসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ফাইনেলদা য়ু এস এগী টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ৭লক লৌখ্রবী সেরেনা ৱিল্লিয়মসপু থোইরগা টাইটল লৌখি।

লোয়ননা মিক্স দবলসকী কাংলুপ্তা ক্রোসিয়াগী ইবান দোগিগ অমসুং চাইনিজ টাইপৈগী লটিসা চান্দনা স্বিদেনগী রোবার্ত লিনষ্টেট অমসুং লাটভিয়াগী ইলেনা ওষ্টাপেনকোবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-২, ৬-৩দা থোইদুনা মিক্সকী চেম্পিয়ন ওইখি।

# সাইনা টোপসকী লুপা লাখ ৫৭কী প্রোপোজেল অয়াবা পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৫ (এজেন্সী)ঃ
স্পোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই)না টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিম (টি ও পি এস)না লুপা লাখ ৫৭কী থাঙ্গৎলকখিবা প্রোপোজেল অদু অয়াবা পীখ্রে।

ৱারেপ অদু সাইগী মিসন ওলিম্পিক সেলগী মীফম অমদা দাইরেক্টর জেনরেল নিলম কাপুরনা চেয়ারমেন ওইদুনা অয়াবা লৌখিবনি। মরু ওইনা এথলেটিক্স, টেবল টেনিস, রেষ্টলিং, পেরা এথলেটিক্স অমসুং সুট্টিং দিসিপ্লিনদা শান্নরোয়শিংনা ট্রেনিং তৌবা অমদি টুর্নামেন্ট শরুক য়াবদা চঙগদবা শেনফম ঙাক্তনি।

এথলেটিক্সকী ওইনা জিনসন জেন্সন, সিমা পুনিয়া অমসুং অর্পিন্দর সিংহনা স্কিম অসিগী খুদোংচাবা ফংগদৌরি। মিদল দিসটেন্স রন্নর জিনসন জোন্সননা য়ু এস এদা স্কোট সিমন্সকী লমজিং মখাদা ট্রেনিং প্রোগ্রাম চহী ১ পাঙথোক্কদবা অদু এপ্রুব তৌখি। সিমা পুনিয়াগী কোচ অমসুং ফিটনেস ট্রেনরগী ফীশিং অদু রিইনবর্স তৌবা য়াখ্রে। লোয়ননা ত্রিপল জম্পর অর্পিন্দর সিংহগী রিকোভরি ইক্যুপমেন্টশিং অদু লৈবদা চঙগদবা শেনফম অদুসু সেঙ্কসন তৌখি।

টেবল টেনিস শান্নরোয় জি সাথিয়ান অমসুং মোনিকা বত্রনা বলগেরিয়ান ওপন টেবল টেনিস টুর্নামেন্ট ওগষ্ট ১৩দগী ১৮ ফাওবা শরুক য়াগদবা অদুসু অয়াবা পীখি। লোয়ননা সাথিয়াননা জেক ওপন শরুক য়াবদা চয়োল অমগী ফিটনেস ট্রেনরগী শেনফমশিংসু পীখি। রেষ্টলিংদা সাজননা বেলারস অমসুং জিওর্জিয়াদা টুর্নামেন্ট শরুক য়ানবা অর্মেনিয়া অমদি বেলারসতা ট্রেনিং চথবদা চঙগদবা শেনফম কম্মিতিনা অয়াবা পীখি।

সুট্টিংগী ওইনা মেহুলি ঘোস, মনু বাকর, অঞ্জুম মোদগিল, দিপককুমার অমসুং রহি সার্নোবটনা থাঙ্গৎলকপা প্রোপোজেলশিং অদু স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা সেঙ্কসন তৌখি। পেরা এথলিট সন্দিপ অমসুং সুমিতনা লৈগদবা স্পোর্টসকী আইটেমশিং অদুগী শেনফম অদুসু কম্মিতিনা অয়াবা পীখি।

# আই এস এস এফ জুনিয়র ৱর্ল্ড কপকী মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা ইন্দিয়াগী সুট্টর অনীগী লম্বাদা ইলাভেনিলনা গোল্ড ফংখ্রে

সুল, জুলাই ১৫ (এজেন্সী)ঃ
জর্মনিগী সিটি সুলদা পাঙথোকপা আই এস এস এফ (ইন্টর্নেসনল সুট্টিং স্পোর্টস ফেদরেসন) জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ্তা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর অনীগী লম্বাদা ইলাভেনিলনা মেহুলিবু মায়থীবা পীরগা গোল্ড মেদল ফংখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল কম্পিটিসনগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা মেহুলি গোসনা পোইন্ট ৬৩০.৪ ফংলগা মকোক ওইদুনা ফাইনেল রাউন্দ চঙলকখি। অদুগা ইলাভেনিল বালারিবননা পোইন্ট ৬২৭.৫ ফংলগা ৩শুবা পোজিসনদা ফাইনেল য়ৌখি। লোয়ননা ব্রাঞ্জ মেদল ফংখিবী ফ্রান্সকী ওসিনে মারিয়েন মুল্লরনা পোইন্ট ৬২৮.২ ফংলগা ২শুবা পোজিসন লৈখি।



ফাইনেল রাউন্দদি ইলাভেনিল বালারিবননা ফজবা হেল্লকপদগী পোইন্ট ২৫১.৬ ফংলগা গোল্ড মেদল অদু লৌবা ঙমখি। মঙোন দগী পোইন্ট ১.৪ খক শোত্থরগা মেহোলি গোসনা পোইন্ট ২৫০.২ ফংলগা সিলভর মেদল অদু লৌখি। লোয়ননা ফ্রান্সকী ওসিনে মুল্লরনা পোইন্ট ২২৮ ফংলগা ব্রোঞ্জ অদু ফংবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় শ্রিয়া অগরৱাল অমদি গোল্ড অমসুং সিলভর ফংখিবা ইলাভেনিল অমদি মেহুলিগী ক্বালিফিকেসন পোইন্টশিং অদু পুনশিল্লগা পুন্না পোইন্ট ১৮৮৩.৩ য়ৌদুনা অনৌবা জুনিয়রগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মিটর ৫০গী পিষ্টোল ইভেন্টতা রসিয়াগী নদেজদা কোলোদানা পোইন্ট ৫৪৩ ফংলগা গোল্ড মেদল লৌখি। ইন্দিয়াগী প্রিয়া রাঘবনা পোইন্ট ৫৩৫ ফংলগা সিলভর অদুগা বিভুতি ভতিয়ানা ৫৩১ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কম্পিটিসনগী অদুগী টিম স্কোরদা রসিয়ানা ১৫৫৯ ফংলগা গোল্ড অদুগা ইন্দিয়ানা ১৫৫৭ ফংলগা সিলভর ফংখি। পোইন্ট টেবলদা ইন্দিয়াগা গোল্ড ৬, সিলভর ৬ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ ফংলগা মাংজিল থারি।

# ইন্দিয়া 'এ'না ৱেষ্ট ইন্দিস 'এ'বু রন ৬৫দা মায়থীবা পীখ্রে

নোর্থসাউন, জুলাই ১৫ (এজেন্সী)ঃ
এন্টিগুৱাদা লৈবা নোর্থ সাউন সিটিদা ইন্দিয়া 'এ' অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিস 'এ'না মেচ ৫গী অন ওফিসল ওইবা ৱান দে মেচ ৫গী সেরিজগী ঙরাং শান্নখিবা ২শুবা মেচ অদু ইন্দিয়া 'এ'না ৱেষ্ট ইন্দিস 'এ'বু রন ৬৫দা থোইখ্রে।

ঙরাং নোর্থ সাউনগী সার ভিভিয়ান রিচার্দ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ২শুবা মেচ অদুদা ৱেষ্ট ইন্দিস 'এ'না টোস ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়া 'এ'গী মায়কৈদগী ওপনর রুতুরাজ গেক্বাত অমসুং সুবমন গিলনা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমদা রন ১৫১ লৌরগা ইনিং হৌখি। গিল রন ৬২দা আউট তাখি। লোয়ননা থংনবা ওভরদা গেক্বাতসু রন ৮৫ লৌরল্লগা আউট ওইখি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বেটচমেনশিংগী মরক্তা কেপ্টেন মনিস পান্দেনা রন ২৭, ইসান কিসননা রন ২৪, অমসুং হনুমা বিহারিনা রন ২৩ লৌরম্বা অদু শীংথাবা য়াখি। ওভর ৫০ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়া 'এ'গী বেটচমেন ৮ আউট ওইরগা রন ২৫৫ লৌখি। ৱেষ্ট ইন্দিস 'এ'গী মায়কৈদগী রোমারিও সেফার্দনা ইন্দিয়াগী বেটচমেন ৪ আউট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি।

মায় পাক্লনবা ৱেষ্ট ইন্দিস 'এ'না রন ২৫৬কী টার্গেট অদু য়ৌনবা হোৎনবদা ৪৪শুবা ওভরগী ৫ শুবা বোলদা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ১৯০ খক লৌখিবদগী মেচ অদু ইন্দিয়া 'এ'না রন ৬৫দা মায় পাকপা ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিসকী মায়কৈদগী রেমোন রৈফরনা রন ৭১ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ৯শুবা বেটচমেন রোমারিওনা আউট ওইদনা বোল ৪১দা রন ৩৪ লৌখিবা অদু পনবা য়াই। লোয়ননা ওপনর সুনিল অমব্রিসনা লৌরম্বা রন ২৪না শীংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নবদিপ সাইনিনা ৱেষ্ট ইন্দিস 'এ'গী বেটচমেন ৫ আউট তাহনখিবা অদুনা মেচ অদু ইন্দিয়া 'এ'না মায় পাকপা য়াবগী য়াম্না চাওবা থৌদাং অমা লৌখি।